# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -৫

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

**ইলেক্টোরেল** কোলেজগী মেম্বরশিংনা কোংগ্রেসকী মীরেপ ঙাঙোম তোম্পোকপু রাজ্য সভাগী মীহুৎ ওইনা খনখি। মহাক মণিপুরগী অহানবা রাজ্য সভাগী মেম্বরনি। মহাক্না এপ্রিল ৩, ১৯৫৪দগী এপ্রিল ২, ১৯৫৬ ফাওবা চহী অনীসিগী মেম্বরনি। মতমদুদা ত্রিপুরা অমসুং মণিপুরগী মীহুৎ ওইনা মীকোক অমখক্তমক রাজ্য সভাদা থাই। কুমজা ১৯৫২দগী এপ্রিল ২, ১৯৫৪ ফাওবনা ত্রিপুরাগী মীহুৎনা ওই।

প্রাইম মিনিষ্টর পণ্ডিট জৱাহরলাল নেহরু অসি মণিপুরদা অনীরকশুবা ওইনা মার্চ ২৮ থাংজ, ১৯৫৩দা লাকখি। কোইরেঙ্গৈ এয়রপোর্টতা নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবদা থুংলখি। মীওই ১৫,০০০ মুক্না মাবু এয়রপোর্টতা তরাম্না ওকখি। নুমিদাংৱাই মহাক্না তম্ফাস্না গার্লস হায় স্কুলদা চৎলম্মী। স্কুলদুগী মহৈরোয়শিংনা মাবু তরাম্না ওকখি। নুপীমচাশিংদা মানা অসুম্না হায়খি, "ঐনা থা খরগী মতুংদা মণিপুরদা অমুক লাক্লে। মণিপুর অসি ফজবতা নত্তনা মসিদা লৈরিবা মীশিং অসিসু য়াম্না ফজে। মণিপুরগী নুপীশিং অসি থবক কন্না শুই। মণিপুরগী জগোয় অসি মালেমগী মফম শিনবা থুংনা ফাওই। মণিপুরগী অতৈ ফজবা পোৎ কয়া অমা লৈরি।"

"ঐখোয়না অচৌবা প্রোব্লেম কয়া মায়োক্নরি। অঙাংশিং অসি লাক্ষ কয়ানি। মখোয়সি লাইরিক হৈহনবা তাই অমসুং হকচাংগী অমসুং পুক্নিংগী ওইনা মতিক চাবা হায়বদু ওইহনবা তাই। মসি ফংনবা হোৎনবা অসি ঐখোয়গী ইথৌনি।"

"ইন্দিয়া হায়বসি অদুগুম্বা লৈবাক অমনি, মফমদুদা অচুম্বা হায়বসি য়াম্না মমলল খ্বাইদগী ৱাংনা লৌই। মসিগী খুদমদি চহী ২০০০গী মমাঙদা লৈখ্রে। মদুদি অশোক চক্র অসিনি। অচুম্বনা জয় হায়বসি হায়রিবা অশোক্কী চাকা অহুমদুগী মখাদা ইরি। মসি ঐখোয়গী সিম্বোলনি।"

অনীশুবা নেহরুগী খোঙচৎ অসি বর্ম্মাগী ইউ নু উনবা লাকপনি। লৈবাক অনীগী লৈনবা মরী মরুওইনা বাউন্দরিগী মতাংদা ৱারী শান্নবা লাকপনি। মহাক্না বর্ম্মাগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিবু কোইরেঙ্গৈ এয়রপোর্টতা ঙাইরম্মী। অঙম অথৌ অমসুং পোলিটিক্সকী লুচিংবা কয়ানা ওকখি। মখোয় অনীনা কোনুংগী থাঙ্গপাৎতা তান্নবা হিয়াং লমজেল য়েংখি। অদুগী মতুংদা পোলোগ্রাউন্দদা পাঙথোকপা অচৌবা মিটিং অমদা ৱা ঙাঙখি। মীওই লিশীং ২০ মুক তিনখি।

মার্চ ২৮ অমসুং ২৯, ১৯৫৩দা প্রাইম মিনিষ্টর অনীসিনা ইম্ফালদা লৈদুনা মিটিং তৌখিবা অসি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা ৱারী শান্নবা অহানবনি হায়না লৌবা য়াই। ইউ নুবু তরাম্না ওক্নদুনা নেহরুজীনা হায়, "The purpose of my coming here to receive His Excellency, the Prime Minister of Burma, U Nu is not for talks on war but for peaceful friendly talks between two force and neighbouring nations. We have to solve many a Common problem between the two countries."

"I always remember the beauty of Manipur. India should be more prosperous by strengthening the spirit of unity and integrity of the Nation. But the country cannot be developed if the villages are not developed. Without the co-operation of the people, the government alone cannot make a country developed. In everything we require people's help and co-operation."

বর্ম্মাগী প্রাইম মিনিষ্টর ইউ নুনা অসুম্না হায়রি, "Now that both India and Burma have become independent nations, popular governments have been established for the administration of both the countries. Burma will always try to maintain friendly ties with India."

মার্চ ৩০গী অয়ুক্তা প্রাইম মিনিষ্টর পণ্ডিত নেহরুনা দি এম কোলেজগী মহৈরোয়শিংদা ৱা ঙাঙখি, "The popolation of India is 36 crores. It is one-fourth of the total population of the world. The people of India make the country. It depends on the people to make India developed and progressive.

The unity of the people will unable them to make the country great and strong. The people of Manipur and living on the national frontier of the country. If there is no unity among them, how peace can be maintained? How can development activities be take-up?

Prime Ministers, Pt. Nehru and U. Nu অনীনা মার্চ ৩০, ১৯৫৩দা অয়ুক পুং ৭তা কোহিমাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি। মাওদা মতম ঙাইহাক লৈরম্লগা কোহিমাদা চৎখি। অয়ূক পুং ১১ অদুৱাইদা থুংখি। চীফ কম্মিস্নরগী অসাম শ্রী বিষ্ণুরাম মেধি অমসুং দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ নাগালেন্দ, শ্রী বোরকাকোটিনা মখোইবু ওক্নম্মী। মখোয়গী সেদ্যুল প্রোগ্রাম লোইরবদা প্রাইম মিনিষ্টর অনীনা নুমিৎতুদা ইম্ফালদা হল্লকখি। মার্চ ৩১, ১৯৫৩দা পণ্ডিট নেহরু অমসুং ইউ নুনা ইম্ফাল থাদোক্নুনা বর্ম্মাদা ইন্দিয়া এয়রফোর্স প্লেন্না চৎখি।

ইলেক্তোরেল কোলেজগী মেম্বরশিংনা এদভাইজর মঙাগী মমিং পীখৎলি। মখোয়সিনা এদভাইজরি কাউন্সিল শেম্মী। মখোয় অসি চীফ কম্মিস্নরবু মতেং পাংনবনি। মখোয়দা থবক তৌনবা শক্তি শিন্নদে, চীফ কম্মিস্নরদা পাউতাক পীবতনি, তৌবদি মখোয়দা তোঙান তোঙানবা চার্জ শিন্নে। এদভাইজরশিং অদুদি :-

১) দ্বীজমনি দেব শর্ম্ম ২) সলাম তোম্বী ৩) সিনাম কৃষ্ণমোহন ৪) ডাক্তর কম্পু অমসুং ৫) অথিকো ডাইহো মখোয় মঙাসিনি।

কাউন্সিলগী মীকোকশিং অমসুং মখোয়দা শিন্নবা হীরমশিংদি :

১) দ্বীজমনি দেব শর্ম্ম : এদ্যুকেসন, জুদিসিয়ারি, লোকেল সেল্ফ গভর্ণমেন্ট, এগ্রিকলচর এন্দ গ্রোসোর ফুদ প্রেস এন্দ পব্লিসিটি।

২) সলাম তোম্বী : ফুদ, সপ্লাই এন্দ প্রোকিওরমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ এক্সাইজ

৩) সিনাম কৃষ্ণমোহন : লেন্দ রিফোর্ম, সেটলমেন্ট, ইন্দষ্ট্রি এন্দ লেভর, কোওপরেটিভ, ফাইভ ইয়র প্লান, কম্যুনিতি দিভলপমেন্ট

৪) ডা. কম্পু : মেদিকেল, জেল, ভেটিরিনরি এন্দ ট্রান্সপোর্ট।

৫) এ ডাইহো : ফাইনান্স, রেজিষ্ট্রেসন, কম্পেন্সেসন রিফ্যুজি, রিহেবিলিটেসন এন্দ হথিদ্রা। এ ডাইহো অসি ইন্দিপেন্দেন্টনি, অতৈনা কোংগ্রেস ঙাক্তনি।

এদভাইজরি কাউন্সিল অসি মে ৬, ১৯৫৩দা লীংখৎখি। কাউন্সিল ওফ এদভাইজর অসি গভর্ণমেন্ট ওফ পার্ট সী ষ্টেটস এক্ট অসিগী মখাদা শেম্বনি।

চৈথারোল কুম্বাবদগী ঐখোয়না খঙবদি প্রজা শান্তিনা সিনাম কৃষ্ণমোহন অমসুং হিদংময়ূম দ্বীজমনি দেব শর্ম্ম অনীবু কাউন্সিলগী মেম্বর ওইবদু য়ানীংদনা সত্যগ্রহ তৌখি। মতাং অসি 'চৈথারোল কুম্বাবা' সম্পাদকশিং লাইরেনময়ূম ইবুংঙোহল অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, লমাই ৬৬৯দা অসুম্না ইরি: '২৩নি য়ূমশকৈশাদা মণিপুর ষ্টেট কোংগ্রেসনা এদভাইজরস কাউন্সিল ফম্বা হৌএ। অদু নুমিৎতা প্রজা শান্তিগী মী হাওবম মরক্তগী ঙাঙোম কবোকলৈনে, তাওবুংখোক্তগী শরুংবম নিংঙোল থম্বালনে, লাংপোক্তগী থিয়ামচা তোম্বনে, চজিং করামদগী খোম্মনে মী মরি অসিনা এদভাইজরি কাউন্সিলগী মী সিনামচা কৃষ্ণমোহন্নে, বামন দ্বীজমনিনে অনীমকপু পামদে হায়দুনা সত্যাগ্রহ তৌই।"

চৈথারোল কুম্বাবদা পনবা মতাং অমনা 'হিমৎসিংহ কম্মিস্নরনা মেলা তৌবা মতমদদি সিনাম কৃষ্ণমোহন, সলাম তোম্বী, বামোন দ্বীজমনি, লাইশ্রম যুগেশ্বর মখোয় অসিনচিংবা কোংগ্রেসনা মেলাদা টিকেট লৌদুনা তৌই হায়দুনা মেলা অনীরক তৌরগা হন্দক্কী কম্মিস্নর আর পি ভার্গবনা তৌবা মেলা অসিদি হায়রিবা নুপা ৪ অসিনা এদভাইজর ওইরবা মতমদদি টিকেট মমল অনা লৌবা, শিকি লৌবা, মখাই লৌবা, লুপা লৌবা তৌদুনা লৈপাক্কী অনংবা কান্দা পৈশা তিংহন্দুনা ৱাহল্লি হায়দুনা প্রজানা মখোয়বু চৈখি।" (তশেংনা এদভাইজর ওইবদি মীওই অহুমনি)।

নবেম্বর ১৫, ১৯৫৪দগী প্রজা সোসিলিষ্ট পার্টিনা হান্নগী লৈজরম্বা লেজিসলেটিভ এসেমব্লি হিংগৎহল্লু হায়দুনা ঈরাং হৌই। নবেম্বর ২৬, ১৯৫৪দা এদভাইজরি কাউন্সিলগী ওফিস থিংনবা হোৎনখি। মহৈরোয় ৩৫ অশোক অপন নংখি। থিনা শোকপা খরদি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। পুলিসনা মখোয়বু তানখায়নবা হোৎনবদা শোকপনি।

দিসেম্বর ১৭, ১৯৫৪দসু কৃষ্ণমোহন এদভাইজরবু কোংগ্রেস ওফিস মমাঙদগী ফাদুনা পুরগা ৱাহেংবম লৈকায়দা পুখি অমদি মফমদুদা মহাক্কী থবক থাদোকপগী চে ইনবা তকশিনখি।

অদুম ওইনমক এদভাইজরি কাউন্সিল অসি কুমজা ১৯৫৪ অমসুং কুমজা ১৯৫৫ ফাওবা লৈখি। এসেমব্লি দিমান্দগী ঈহৌসু লেপখিদে।

কাউন্সিল ওফ এদভাইজরস অসি ইন্দিয়াগী গভর্ণমেন্ট মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা নবেম্বর ১, ১৯৫৬তা অমুক শেমদোকখি। হোম মিনিষ্টরনা কম্মিটি অসিগী চ্যেরমেন ওই। মেম্বরশিংনা মণিপুরগী এম পিশিং, মণিপুরগী চীফ কম্মিস্নর অমসুং চীফ কম্মিস্নরবু মতেং পাঙনবা লৈরিবা এদভাইজরশিং অসিনা ওইরম্মী।

ষ্টেট রিওর্গেনাইজেসন বিল পাস তৌবগা লোয়নননা মণিপুর অসি নবেম্বর ১, ১৯৫৬তগী পার্ট সী ষ্টেট ওইবা তোক্লে অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইরে। গভর্ণমেন্ট ওফ পার্ট সী ষ্টেট এক্ট ১৯৫১ অদু লৌথোকখ্রে/চৎনখিদ্রে। টেরিটোরিএল কাউন্সিল অমা খন্দ্রিফাওবদি কাউন্সিল ওফ এদভাইজর অদু অদুম মখা তানা পুহনখি।

টেরিটোরিএল কাউন্সিলগী ইলেক্সন অসি জন্যুৱারী ১৯৫৭তা পাঙথোকখি। মদু পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনগা লোয়নননা পাঙথোকখিবনি। ললিত মাধব শর্ম্মনা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইখি। লাইশ্রম অচৌনা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুসনগী এম পি ওইখি। অদুনা মহাক ৱাংখৈ কোংবা কন্সটিট্যুসনসিগী এম এল এ ওইবদগী তোকখি। মহাক প্রজা সোসিয়েলিষ্ট পার্টিগী মীরেপনি। কোংগ্রেসকী আর খুইশানা আউটর পার্লিয়ামেন্টকী কন্সটিট্যুসন্দগী কাখি।

টেরিটোরিয়েল কাউন্সিলদা কাখিবা মেম্বরশিংদি

| Sl. No. of cons- tituencies | Name of Constituencies | Name of Candidate declared elected |
|---|---|---|
| 1. | Khurai | Shri Kongrailatpam Borthakur Sharma |
| 2. | Wangkhei-Kongba | Shri Laisram Achou Singh |
| 3. | Irinbung-Yairipok Top Chingtha | Shri Muhammad Amzad Ali |
| 4. | Lamlai-Keirao | Shri Tongbram Kunda Singh |
| 5. | Sagolmang | Shri Athokpam Thabi Singh |
| 6. | Sekmai-Lamsang | Shri Khwairakpam Chaoba Singh |
| 7. | Salam Khumbong Konthoujam | Shri Khoisnam Heitombi Singh |
| 8. | Uripok Lalambung | Shri Hidhangmayum Dwijamani Dev Sharma |
| 9. | Sagolband | Shri Nongthombam Ibomcha Singh |
| 10. | Keisamthong | Shri Laisram Kulachandra Singh |
| 11. | Singjamei | Shri Thokchom Chandrasekhor Singh |
| 12. | Wangoi Mayang Imphal | Shri Ningthoujam Tomchou Singh |
| 13. | Nambol Keinou | Shri Yumnam Yaima Singh |
| 14. | Bishenpur Moirang | Shri Hemam Nilamani Singh |
| 15. | Kumbi Thanga | Shri Mairenbam Koireng Singh |
| 16. | Hiyanglam Sugnoo | Shri Elangbam Nodi Singh |
| 17. | Kakching Wangjing | Shri Khundongbam Itocha Singh |
| 18. | Charangpat-Khomjom | Shri Sorokhaibam Chourajit Singh |
| 19. | Thoubal Chandrakhong | Shri Waikhom Nimaichand Singh |
| 20. | Lilong | Shri Alimuddin |
| 21. | Tengnoupal | Shri Paokhohang |
| 22. | Phaisat | Shri Rishang Keishing |
| 23. | Ukhrul | Shri Ngalangzar |
| 24. | Mao East | Shri Ngaono Thoiso |
| 25. | Mao West | Shri Sibo Larho |
| 26. | Aimol | Shri Athuibo |
| 27. | Tamenglong | Shri Kabipu Kabui |
| 28. | Jiri | Shri Sinam Bijoy Singh |
| 29. | Thanlon | Shri Vungkhom |
| 30. | Churachandpur | Shri Paolen নি। |

# চহীনা হকচাং অমদি ৱাখলগী ফীভম লেপহনগদৱ্রা

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

**(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)**

ঐহাক্কী নহা য়াম্না ওইথোকপসি মায়দা য়েংবদগীদি হকচাংদা য়েংবনা অমুক হেন্না নহা ওইথোকই। জিমদা শান্নবদা জিমগী ফিজোল শেৎতুনা শান্নবদদি নহা ওইরিবা মখোয়না ঐঙোন্দগী হেন্না অহলবু মাল্লি মখোয়গী মসল অমদি ফীভমদু য়েংলবদি। মসিনি মতম কুইনা চাং নাইনা অফবা চিঞ্জাক চাদুনা, চাং নাইনা শান্নদুনা অফবা হেবিট থমদুনা চাহৈদবা ষ্টেরোইদস, হোর্মোন, বেন সবষ্টেন্সেস, ময়াই কাবা চিঞ্জাক, য়ু, বিড়ি, চুরুট, ক্বা, খৈনিনচিংবা চাদবগী মহয়। চা কোফি ফাওবা থক্তে শুম থক্লক্তবনা। অসিগুম্বা নহা ওইথোকপগী শকফম, হকচাং ফনা লৈবা অমদি নুংঙাইনা লৈবা ঙল্লিবসি ঐহাক্না করিগুম্বা মথক্কী চাহৈদবা পোৎলমশিং অসি চারম্লবদি করিসু ওইথোক্লোই হায়না থমজগে। ষ্টেরোইদ চারিঙৈদা নহা ওইনা য়াম্না কন্না লৈরম্বা অদু অমেচর অমদি প্রোফেসনেল এথলেটস ময়াম অমা হেক তোকপদা অহল য়াম্না থিনা ওইশিন্দুনা উই, মসলসু অয়াম্বনা পীকশক পীকশিল্লি, উনশাসু ইখুই খুইথৈ। ফুরিৎকা লৌথোক্লগা য়েংবদদি য়াম্না নুংঙাইতে উনশাদো ইখুই হেক খুইরদনা, ঙসাইগী কেমিকেল হার হাপ্তুনা পুথোকপা উহৈ ৱাহৈ অমদি মনা-মশিংশিং অদুগা চপ মান্নে।

পুন্সিদা মতম শাংনা, হকচাং ফনা, নহা ওইনা হরাউ তয়াম্না লৈবীগে হায়রবদি হকচাং শাজেল চাং নাইনা শান্নবীয়ু, স্পোর্টস ওইরবসু য়াই। তৌবতবু চাহৈদবা ষ্টেরোইদস অমদি অতোপ্পা হকচাং শোক্কদবা পোৎলমশিংদি চাবিরুনু। মখোয়সিনা ফহনবগী মহুত্তা হেন্না হকচাংদা অমাঙবা পুরকই হায়বসি এক্সপার্ট কয়ানা হায়বতা নত্তনা লৈখিদ্রবা অমদি লৈরিবা পোৎলমশিং অসিবু শীজিন্নবগী চৈনা ফংলবা শান্নরোয় কয়ানা মীয়ামদা সোসিএল মিদিয়া, য়ুট্যুব অমদি অতৈ মিদিয়া কয়াদা পাউজেলদুনা লাক্লি ঙসিফাওবদা। শিগদবা পুন্সিনি, শিবা হায়বসিদি দ্রগশিং, ষ্টেরোইদশিং চাদ্রবসু অদুম শিগনি কায়না হায়দুনা চাগদবনি টাইটল ফংলগা লোইরে, মসল চাউরগা লোইরে, কল্লগা লোইরে, য়াঙলগা লোইরে কায়না ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা ৱাখল্লোনসিনা মাঙজিল থাদুনা, চাহৈদবা পোৎলমশিং অসিদগী চৈনা ফংদ্রিবা নহা ওইরিবা, শীজিন্নবদি কুইদ্রিবা, কন্না ফগৎলক্লিবা, চাওখৎলক্লিবা, য়েংখৎলক্লিবা, কনখৎলক্লিবা শান্নরোয় কয়ানদি শীজিন্নবা লেপত্রি, হায়রুরসু নথৌ লৈতে, অতোপ্পবু জজ তৌগনু কায়না শাওনা হায়বিরকই। অদুবু মখোয়সু শুম শীজিন্নবদগী নোংমা চৈনা ফংলক্লবা মতমদুদা ৱাখল তারক্কনি হায়না থমজগে। মীওই খরনা অতোপ্পদগী লৌশিং তমশিন্দুনা তৌহৈদবা থবকশিং তৌরুদে, চাহৈদবা পোৎলমশিং চারুদে, অদুগা খরা অমনা মশা মশাদা হেক থোক্লিফাওবা, চৈনা ফংদ্রিফাওবা তৌশিল্লি ফত্তে, তৌহৈদে হায়না হায়না। অমবু ওইরে অমবু ওইরে, অফবা হায়বসিদি খুদিংমক্কী অফবনি। কনাগুম্বা অমনা তিঞ্জং কায়জংদনা মশা মউ ফনা লৈবা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী অমদি ঐখোয় খুন্নাইগী অফবসু ওইরিবনি হায়বসি কাউফদে। অদুগা কনাগুম্বা অমনা মশা মউ ফৎত্রবা, তিঞ্জং কাইজংনা হিংলবা, চাহৈদবা পোৎলমশিং শীজিন্নদুনা মশাদা অকায়বা পীরিবা মীওই অদু মহাক মশা মথন্তা শোকপা নত্তে, মহাক্না লৈরিবা খুন্নাই অদুবুসু শোকহনগদৌরিবনি, চিংথগদৌরিবনি হায়বসি ঐখোয়না কাউফম থোক্তে। ঐখোয় অমনা ফরবদি পুম্নমক্কী অফবনি, অদুগা ঐখোয় অমনা ফৎত্রবদি পুম্নমক ফৎত্রবনি।






লোইশিল্লকপদা, চহীনা ঐখোয়গী ৱাখল অমদি হকচাংগী ফীভম লৈহনগুমসি। চহী হায়বসিদি মশীং থিনবগী অসুম থম্বনি হায়না খন্দোক্তুনা চহীদা অদুক য়াম্না মায় ওনশিনবগী মহুত্তা, ইশা ইশাগী হকচাং ফবদা মায় ওনশিন্দুনা নহা ওইনা, হকচাং ফনা লৈনবা ঙম্নবা চাং নাইনা শাজেল তৌবিদুনা অফবা চিঞ্জাক চাবীদুনা, অফবা হৈনবী থম্বীদুনা মশা মউ ফবা, তিঞ্জং কাইজংদবা মীওই অমমম ওইদুনা ইরমদম কংলৈপাকপু চিংখৎনবা হোৎনরসি। মশা মউ ফবা খুন্নাই অমা শেমগৎকে হায়রবদি মশা মউ ফবা মীওই য়াম্না মরুওই হায়বসি কাউফদে। Health is wealth. Age is just the number. We are what we eat and think. য়াইফমীন্নরসি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৫**

১। মখাদা পীরিবা ৱাহৈ অনীসি মীতৈ থাচৎকী অরিবা মমিংশিংনি। হৌজিক্কী মমিংদা ওন্থোকউ : (ক) থবি (খ) চিনবী

২। "চরুগী মী/মশাসু চরুনা শাবা/মকোকসু চরু ঙাক্তা ঙায়বা" পরেংশিংসি 'চরুগী মী' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "তারিবরা হিংচাবী/নঙগী রাজকুমারদো ডাক্তর নুপী অমগা লুহোংখিদৌরে।" পরেংশিং অসিনা মোইরাংথেম রাজেন্না ইবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "অফাবা মশমদু তনখোম খোমগৎতুনা চেৎনা পুনশিনখি। মিৎনা কূপ্পদা...থাঙদু লৌরগা...মপূরোইবগী মথবাক্তা থূম্না থিংজিনখি।" পরেং অনীসিনা 'পনখৈদুগী ৱাংমদা' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। তেলেগু কবি এন গোপিগী শৈরেং লাইরিকপু মণিপুরীদা 'মতম্বু ঐনা তূমহল্লোই" হায়না হন্দোকখ্রে। হন্দোক্লোইদু কনানো?

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**